# ১৯৮২দা ইন্দিয়ানা হোস্ট ওইদুনা নাইন এসিয়ন গেমস পাঙথোকখ্রবা মতুংদা এস্ট্রো-টর্ফ হোক্কি ফিল্ডগসি লৈরকখিবনি



লৌরেম্বম তিকেন সিংহ
*ৱর্ল্ড কপ্পর, হোক্কি*

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## হোক্কিদা মীৎয়েং অমা

*(ঙরাংগী মখা)*

১৯৮২দা কোলালম্পুরদা তৌখিবা জুনিয়র ৱর্ল্ডক প অদুদা নিলকোমোলগা ঐখোয় অনী ইন্দিয়া টিমদা য়াওদুনা শরুক য়াখি। ঐখোয় ফাইনেল চঙবদি ঙমহৌদে। মদুগীসু য়াম্না সরপ্রাইজ ওইবা ৱারী অমা লৈ। ওস্ট্রেলিয়াসি ৱর্ল্ড কপ (জুনিয়র) ক্বলিফাইয়িংদা থর্দ তাদুনা ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমদনা লৈহৌবা টিমনি। মরক্তুদা অর্জেন্টিনাসি করিগুম্বা কন্দিসন খরদগী ৱর্ল্ড কপ শরুক য়াবা ঙম্লরোই হায়দুনা ৱিদ্রো তৌখি। অদুদগী থর্দ তাদুনা স্টেন্দবাইদা লৈহৌবা ওস্ট্রেলিয়াসি পুখৎলকখি। অসুম্না, ১৯৮২গী ৱর্ল্ড কপ্পুদা য়াওরকখি। লোয়ননা ফাইনেলসু মখোয়না লৌখি। ময়াম পুন্নমকসি অঙকপা ওইনখি। অসিগুম্বা থৌদোক কয়াসিসু মরক মরক্তা অদুম থোকই। য়াম্না থাজনা থম্বা টিম্না মায়থীহৌরগা ইথা থাজদবা টিমনা লৌখিবা, ৱিন্নর ওইখিবসিসু য়াওখি। টিম ৱার্কসিদদি তম্বা ঙমদবা খরা অদুম লৈ।

কোলালম্পুরগী জুনিয়র ৱর্ল্ড কপসি শান্নরুরবা মতুংদা, ঐখোয় মখা তারকপা ওইনা নাইন এসিয়ন গেমসকী ইন্দিয়ন টিম প্রিপরেস তৌবা কোচিং কেম্পতুদসু য়াওজরকখি। মদুগী কেম্পতুদা নিলকোমোলগা ঐগা য়াওখি। ইন্দিয়া কেম্পতুদা অদুম য়াওহনবগী ৱানি। জুনিয়র টিমদগী ঐখোয় অহুম হায়বদি নিলকোমোল ৱর্ল্ড কপ (জুনিয়র)তা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ওইখিবা লক্ষ্মৌদগী সুরজিৎ কুমার, ঐহাক্না ঐখোয় অহুমসি কৌখৎলকপনি। অদুবু থাজদবদি ৱাৎখি। সেলেক্টর খরনা, শান্নবা ফজে হায়দুনা জুনিয়রদগী ঐখোয় অহুমসি 'নাইন এসিয়ন গেমস'তা য়াওহনগে খনবজাৎনি। অদুবু মখোয় মশেন য়েৎনরকপদগী ঐখোয় অহুম সিলেক্সনদি ফংখিদে। হায়রিবা মতমদু ইন্দিয়ন টিমদা অরিংবা প্লেয়র ময়াম অমসুয়াওখি। ইন্দিয়াদা তাখিবা 'নাইন এসিয়ন গেমস' ১৯৮২গী হোক্কি টিমদা য়াওখিবা শান্নরোয়শিংদি, জাফর ইকবাল (কেপ্টেন), এম আর নেগী, রোমিও জেমস, ভিনিট কুমার, মনোহর টোপনো, রাজিন্দর সিংহ (সিনিয়র), গুরমাল সিংহ, এম সোমায়া, রাজিন্দর সিংহ (জুনিয়র), চরনজিৎ কুমার, মারৱিন ফর্নান্দেজ, জগদিপ সিংহ, মহমদ সহিদ, জে কারভালহো, সহিদ অলি, এম গোমসনি।

১৯৮২গী নাইন এসিয়ন গেমসকী অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু ৫-১দা থোইখি। সেকেন্দ মেচতসু ইন্দিয়ানা ওমানবু ১০-০দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা মেচতসু ইন্দিয়ানা বংলাদেশপু ১২-০দা থোইবা ঙমখি। অসুম্না সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা জপানবু ৭-২দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখি। লোয়ননা ফাইনেলদা ইন্দিয়াগা পাকিস্তানগা থেংনখি। মদুদা পাকিস্থাননা ৭-২দা মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখি।

নাইন এসিয়ন গেমসতা য়াওখিদ্রবসু ইন্দিয়া কেম্পতদি ঐখোয় লেপ্তুনা য়াওজরকখি। ইন্দিয়ানা হোস্ট ওইদুনা এসিয়ন গেমস পাঙথোকখ্রবা মতুংদদি ইন্দিয়াদা হোক্কিগী এস্ট্রো-টর্ফ হোক্কি ফিল্ডসু লৈরকখি। অদুনা ইন্দিয়া কেম্প অসি দিল্লিগা পাটিয়ালাগদা অয়াম্বা তৌরকখি। বেঙ্গরোলদদি ইন্দিয়া কেম্পসি কয়া তৌরক্তে। দিল্লিদা ওইনা মেক্সিমম ইন্দিয়া কেম্পসি লেপ্তুনা তৌরকখি। মতুং কাইনথংদা পাটিয়ালাগীসু এস্ট্রো-টর্ফ গ্রাউন্দ তঙ্খায় অমত্তং থাবদু মপুং ফাহন্দুনা অতোপ্পা তঙ্খায় অমসু থারকখি। হৌজিক্তী ইন্দিয়াদসু হোক্কি ৱেভ অমা লাকখিবা কুইরে।

আর্টিফিসিয়েল টর্ফসি ইন্দিয়াগী মরু ওইবা শান্নবুঙ ওইবা মফমশিংদা তপ্পা তপ্পা থানরকপনা এস্ট্রো টর্ফ ফিল্ডসি ফনা য়াম্লম্লগনি খল্লি। সাই সেন্টর অয়াম্বদা হৌজিক্তী টর্ফ ফিল্ড লোইনা থম্লে। ইন্দিয়াদা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ ফিল্ডসি ২০ হেন্না লৈরম্লগনি খল্লি। দিল্লিদা, বেঙ্গরোলদা, ভোপালদা, মধ্যা প্রদেশতা, সাই সেন্টর লৈবা মফমশিংদা এস্ট্রো-টর্ফ থাদবা অমত্তা য়াওদ্রে। অদুনা শান্নফমসিদি খরা লৈরে হায়বা য়ারে। ১৯৮২গী এসিয়ন গেমসকী মতুংদগীদি শান্নবগী ইক্বিপমেন্টগী মতাংসিসু ইন্দিয়াদা তপ্পা তপ্পা শাবা হৌনরক্লে। পুমা কম্পেনিগা খুৎশম্নরগা শান্নবগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং অসি পুমানা স্পোন্সর লোইনা তৌরকখি। মপান লমদা চৎপা, টেষ্ট মেচ, চেম্পিয়ন ট্রোফি, শান্নবা চৎপদা শীজিন্নগদবা পোৎলম পুন্নমক পুমা কম্পেনিনা স্পোন্সর লোইনা তৌখি। *-মথং-মথং-*



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৫

১) মহাক চহী ৫ য়ু এস এ ওলিম্পিক্কী স্পিদ স্কাটিং টিমগী ফিজিসিয়ান ওইরমখি। মহাক প্রোফেস্নেল সাইলিসনি। মহাক ৱিন্টর ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখিবা শান্নরোয়নি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

২) মমিং চৎপা ফুটবোল শান্নরোয় খরগী মমিং পীরি। মখোয়গী মনুংদা শন্তোস ট্রোফি শান্নবদা শরুক য়ারুবা অদুগী মমিং পীয়ু। শ্রী অকোইজম মনিহার সিংহ, মেজর দয়ামোই সিংহ, ওইনাম দিমোচা সিংহ, সৱাইজম ধিরেন (গোল কিপ্পর)

৩) অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী মনুংদা শ্রীথৌবা সিংহ অহানবা ওইনা কমনৱেলথ গেমসতা শরুক য়াখি। তৌইগুম্বসুং অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী ওইনা এসিয়ন গেমসতা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) মণিপুরগী ভোল্লিবোল টিম অসামগী অহানবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখি। করম্বা চহীদা অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকখিবগে?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কি টিম আয়রলেন্দগী সেনিয়র টিমগা শান্নবা অহানবা মেচ ১-৪দা মায়থীখ্রে

দব্লিন, মে২৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপী জুনিয়র হোক্কি টিম্না ঙসি অয়রলেন্দগী সেনিয়র হোক্কি টিমগা শান্নখিবা অহানবা মেচতা পাঞ্জল ১-৪দা মায়থীবা নংখ্রে।

নুপীগী ৱর্ল্ড কপ হোক্কি টুর্নামেন্টতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবা অয়রলেন্দগী সেনিয়র হোক্কি টিম অদুগা ইন্দিয়াগী জুনিয়র নুপীগী হোক্কি টিম্না শান্নখিবা সেরিজ হী অহানবা মেচ অদু ইন্দিয়াগী এক্সপরিএন্স কা হেন্না লৈত্রিবা টিম অদুনা শান্নরকপদা হিরম খুদিংমক্তা লম্বা পীবা ঙমদুনা মায়োক্নরকখি।

পাঙ্গল মান্ননা শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর অদুগী ৭শুবা মিনটতা হোক্কি সেরিজ অদুগী য়ূম্বু ওইখিবা অয়রলেন্দগী মায়কৈদগী মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অহানবা ক্বার্টর অদুদা অয়রলেন্দগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদে।

মেচকী অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী গোলকিপর মণিপুর মচা বিচুনা অয়রলেন্দগী মায়কৈদগী চখুরকখিবা এটেক অমদা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা ঙাকথোকপা ঙমদুনা অহেনবা পাঞ্জল অদুথিংবা ঙমখি। হায়রিবা ক্বার্টর অদুদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র শান্নরোয়শিং অদুনা অকনবা প্রেসর পীদুনা শান্নরকপদা অয়রলেন্দগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে।

মেচকী অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখাতাবা অহেনবা প্রেসর পীদুনা শান্নরকপদা শর্মিলানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। অহুমশুবা ক্বার্টর অদুগী লোয়শিল্লকপদা অয়রলেন্দগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু অহেনবা পাঞ্জল লৈবা ঙমখিদে।

মেচকী অরোইবা ক্বার্টর অদুদা ইন্দিয়াগী দিফেন্স অদুবু থুগাইবা ঙমদুনা অয়রলেন্দগী মায়কৈদগী ফষ্ট হাফ লোয়খ্রবা মতুংদা অনীবা পাঞ্জেল হাপচিন্দুনা ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। মখাতা পাঞ্জল অনী অমগসু হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টিম অদুবু অয়রলেন্দগী সেনিয়র হোক্কি টিম্না ৪-১দা থোইখি। হয়েং কানাদাগী জুনিয়র টিমগদা অনীশুবা মেচ শান্নগনি।

# ঙসিদগী ১২রকশুবা আই সি সি ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট লন্দনগী ওভেল গ্রাউন্দদা হৌদোক্লগনি

লন্দন, মে২৯ (এজেন্সী)ঃ

ইংলেন্দ অমসুং ৱেলসনা পুন্না য়ুম্বু ওইমিন্নদুনা হয়েংদগী ১২রক শুবা আই সি সি ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ লন্দনগী ওভেল ক্রিকেট গ্রাউন্দদা হৌরগনি।

নুমিৎ ৪৫নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড কপ টুর্নামেন্ট অসি পুন্না টিম ১০না শরুক য়াদুনা রাউন্দ রোবিন অমসুং নোকআউট ফোর্মেটতা শান্নগদৌরিবনি। চেম্পিয়ন ওইবা টিমনা শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর ৪,০০০,০০০ ফংগনি। অদুগা রন্নর্সঅপ টিম অদুনা ২,০০০,০০০ ফংগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ অদু য়ুম্বু ইংলেন্দ অমসুং সাউথ অফ্রিকাগা লম্বা তৌনগদৌরি। মদুগী মতুং ইন্দিয়াগী অহানবা মেচ অদু জুন ৫দা সাউথ অফ্রিকাগা সাউটমটনদা লৈবা হেম্পফাইয়র বোলদা শান্নগনি।




# রোজর ফেদরর, রাফেল নদাল অমসুং কৈ নিসিকোরি ফ্রেন্স ওপন টেনিসকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে





পেরিস, মে২৯ (এজেন্সী)ঃ

চহী অসিগী ২শুবা গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেন্স ওপন টেনিসকী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা রোজর ফেদরর, রাফেল নদাল অমসুং কৈ নিসিকোরি অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ৩ ওইরিবা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদররনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দ মেচতা জর্মনিগী শান্নরোয় ওস্কার ওটেবু ষ্ট্রেট সেট ৩দা ৬-৪, ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি। ৱর্ল্ড নম্বর ২ শান্নরোয় স্পেনগী রাফেল নদালনা জর্মনিগী অতোপ্পা শান্নরোয় য়ানিক মাদেনবু ৬-১, ৬-২, ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ ওইরিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দ মেচতা ফ্রান্সকী জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গাবু ৪-৬, ৬-৪, ৬-৪, ৬-৪দা থোইরগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবী নেদর্লেন্দসকী কিকি বর্টেন্স স্লোভাকিয়াগী ভিক্টোরিয়া কুজমোভাগা অনীশুবা রাউন্দ লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অদুদা গেম ১-৩দা শোথদুনা লৈরিঙৈদা কিকি বর্টেন্স মখা তানা মশা ফিট ওইরক্তবদগী শান্নবা ঙমদদুনা মেচ অদু কুজমোভানা লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় জেক রিপাব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভানা স্লোভাকিয়াগী প্লিসকোভানা স্লোভাকিয়াগী খৃষ্টিনা কুকোভাবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী য়ু এস এগী স্লোনে ষ্টিফেন্সনা স্পেনগী সরা সোরিবিস টোরমোবু ৬-৩, ৭-৬ (৭-৩)দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা খোঙ থাংজিনখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯শুবা সিদেদ স্পেনগী গার্বিন মুগুরোজানা স্বিদেনগী জোহানালার্সনবু ৬-৪, ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ লাম্থোক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ক্রো এসিয়াগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ৩১শুবা সিদেদ পেত্রা মার্তিক্না ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোবিসপু য়াম্না কোম্না ৬-২, ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা চহী অসিদা নৌনা মমিং লৈবা শান্নরোয় অমা ওইরক্লিবা গ্রিসকী টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ ষ্টিফানোস সিসিপাসনা অনীশুবা রাউন্দদা বোলিভিয়াগী হুগো দেলিয়নবু ৪-৬, ৬-০, ৬-৩, ৭-৫তা থোইখি।

# মিনরভানা জুনিয়র লিগ টাইটল লৌখ্রে

কোলকতা, মে২৯ (এজেন্সী)ঃ

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকতাদা লৈবা কলিয়ানি ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা হিরো জুনিয়র লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা মিনরভা পঞ্জাবনা বেঙ্গালুরু এফ সিবু মায়থীবা পীদুনা চহী ৪ থংনা থংননা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

হিরো জুনিয়র লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা হাফতা মিনরভা পঞ্জাব এফ সি অমসুং বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোয়শিংনা লম্বা য়াম্না মান্ননা শান্নরকপদগী মিনট ৪৫গী মতম অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফতা মিনরভা পঞ্জাব এফ সিগী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী মশান্না অদুদগী অহোংবা কয়া লাক্তুনা বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিবা অদুগী কান্নবা ফংখি। অনীশুবা হাফকী ২শুবা মিনটতা মিনরভা পঞ্জাবকী মায়কৈদগী হিমান্সু জঙ্গ্রানা বেঙ্গালুরু এফ সিগী দিফেন্দরশিং লাম্থোক্তুনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল অদুগী মতুং এটেক চখুরবা হেল্লকখিবা মিনরভা পঞ্জাবকী মায়কৈদগী মহেসনননা শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী ২শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ২-০দা হেন্দুনা লৈখিবা অদু বেঙ্গালুরুনা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী হিরো জুনিয়র লিগ টাইটল অদু মখোয়না লৌখি।

# ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম্না গ্রানাটকিন মেমোরিয়লদা রসিয়া অমসুং বলগেরিয়াগা লম্বা তৌনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, মে২৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী জুনিয়র নেসনল ফুটবোল টিমনা জুন থাগী অহানবা চয়োলদা রসিয়াগী সেন্ট পিটর্সবর্গ সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা গ্রানাটকিন মেমোরিয়েল ইন্টর্নেসনল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা য়ুম্বু রসিয়া, বলগেরিয়া অমসুং মোলদোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অদুগী মেচশিং সেন্ট পিটর্সবর্গ সিটিগী পেত্রোপস্কি ষ্টেদিমদা শান্নগদৌরি। ইন্দিয়াগী টিম অসি গ্রুপ এদা রসিয়া, বলগেরিয়া অমসুং মোলদোভাগা পুন্না লৈরি। লৈবাক ১২গী টিমনা শরুক য়াগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অদুদা অতোপ্পা গ্রুপ অনীদা লৈরিবা টিমশিং অদুদি অর্জেন্টিনা, অর্মেনিয়া, টর্কি, গ্রিস, ইরান, ক্রিগিস রিপাব্লিক অমদি টাজিকিস্তানগী টিমনি।

ফ্লোইদ পিন্টোনা লমজিং লমতাক্লিবা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী জুনিয়র নেসনল ফুটবোল টিম অসি গ্রানাটকিন মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেচ ৩ শান্নবা লোইরবা মতুং মখোয়না গ্রুপ এদা ফংগদবা পোইন্ট অদুগী মতুং ইন্না মখা তানা প্লে ওফ মেচ অনী শান্নবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি।

কোচ পিন্টোনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা টুর্নামেন্ট অসি য়াম্না চাওদ্রবসু ইন্দিয়াগী টিম অসিনা চহী অসিগী নভেম্বরথাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি অন্দর ১৯ ক্বালিফাইয়িং ফুটবোল টুর্নামেন্টকী শেম শাবা ওইনা য়াম্না মরু ওইবা টুর্নামেন্ট অমনি হায়না লৌনরি।

টুর্নামেন্ট অসিনা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী শান্নরোয়শিং অসিনা পুন্না টিম অমা ওইনা ইন্টর্নেসনল টুর্নামেন্ট অমা শরুক য়ারকপা অসি হন্দক্কীসিনা অহানবনি। কোচ পিন্টোগী মখাদা শান্নরোয় ৩০গী টিম অদুদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপ্পরদা প্রপসুখন, অরিয়ান, মহাটো, সচিন, নিরজ অমসুং জোন্তেনি। দিফেন্দরদা বনলালনেগা, হোরমিপাম, অকাস, এম দি রফি, সুমিত, সবাস, মুথেদার্দ, গুরকিরট, নরেন্দর, জিতেন্দ্র অমসুং সঞ্জিবনি। মিদফিল্ডদা মণিপুরগী জিক্সন, নিংথোইঙম্বা, মোইরাংথেম গিপসন লোয়ননা বিক্রম, রিকি, সাইলো, চন্দ্রন, পরাথোদি অমসুং রোবিন্দনি। ফোরৱার্দতা হরমিনপ্রিত, রোহিত, মণিপুরদগী হাওকিপ, দেমেলো অমসুং রেন্থলিনি। ইন্দিয়াগী টিম অসিনা জুন ৪দা রসিয়াগা শান্নরগা জুন ৬ অমসুং ৯দা মোলদোভা অমদি বলগেরিয়াগা শান্নরগনি।

# হিরোসিমা ক্রুমেন্স হোক্কি সেরিজ ফাইনেলগী ইন্দিয়াগী টিম লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে২৯ (এজেন্সী)ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী জুন ১৫দগী জপানগী হিরোসিমা সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টর্নেসনল হোক্কি ফেদরেসনগী ক্রুমেন্স সেরিজ ফাইনেলসতা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ১৮না শাবা টিম লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অদু রানিনা কেপ্টেন ওইরগা গোলকিপ্পর সমিতা ভাইস কেপ্টেন ওইগদৌরি। ইন্দিয়াগী টিম অসিনা পুল এদা পোলেন্দ, উরুগ্বে অমসুং ফিজিগা লম্বা তৌনগদৌরি। জুন ১৫গী টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিম অসিনা পুল এগী অহানবা মেচ উরুগ্বেগা লম্বা তৌনগনি।

সেরিজ ফাইনেল অসিগী পুল বিদা এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বুসু ওইরিবা জপান, চিলি, রসিয়া অমসুং মেক্সিকোনা লম্বা তৌনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী টিম কোচ ওইরিবা সিয়োর্দ মারিনেনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী টিম অসি মপুং ফানা নহা ওইবা শান্নরোয় অমসুং এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা সিনিয়র শান্নরোয়শিংগা পুনশিন্দুনা অফবা টিম অমা ওইবগী চপ চাবা শক্তম অদু উবা ফংই।

কোচ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা শোক্তুনা লৈরিবা মিদফিল্ডর রিনা খোখরগী মহুৎতা নিসানা মহুৎ শীল্লকখি। নিসাগী মায়কৈদগী হন্দক্কী হিরোসিমা এফ আই ঐচ ক্রুমেন্স সেরিজ ফাইনেল মেচ অদুদা অহানবা ইন্টর্নেসল মেচ ওইগদৌরি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপ্পরদা সবিতা, রজনি ইতিমার্পু, দিফেন্দরদা দিপ গ্রেস ইকা, নিসা, গুরজিৎ কোর, সলিমা টেটে অমসুং সুনিতা লক্রানি। মিদফিল্ডদা মোনিকা, নিকি প্রধান, লিলিমা মিন্স, নেহা গোয়ল অমসুং পুখ্রম্বম সুসিলানি। লোয়ননা ফোরৱার্দতা রানি, বন্দনা, নবজোট কোর, নফনিট কোর, লালরেমসিয়ামি অমসুং জোতিনি।